সিটিজন্সিপ বিলগী মরমদা খন্ন-নৈনগনি : হেরিকোন

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):

য়েলহৌমী ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মীতোপশিংনা খুন্দাশিল্লকপগা লোয়ননা লমদমসিগী শেন্মীৎলোন অমদি লৈঙাক্লোন পায়রকপদগী য়েলহৌমী ফুরুপ কয়া অমা কাংখুল মুৎপগা মান্ননা লৈরে অমদি য়েলহৌমী ফুরুপশিংদনা অকনবা শাফু পীরি হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন) না ফোঙদোরক্লি।

হেরিকোনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং মিদিয়া কোওর্দিনেটর ওইরিবা এল সনাজাওবা মৈতৈনা হায়খি, মণিপুরগী য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী পুন্সিরোলশিংদসু মীতোপশিংনা অকনবা শাফু কয়া পীরকপা কুইরে। অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী শরুক অমদি মীতোপশিংনা ওইরে। শেন্মীৎলোনগী অয়াম্বা শরুক মীতোপকী খুৎতা লৈখ্রে, লৈঙাক্লোনসু মীতোপকী খুৎতা লৈবা হৌরক্লে।

কুমজা ১৯৮০ গী অদুৱাইদগী মীতোপশিং চঙলকপগী মায়োক্তা অনৌবা মওং অমদা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপসু হৌরকখি। মসিগা ইরোয়ননা হৌখিবা চহী খরসিদসু মফম অসিদা মীতোপশিং চঙলকপা, খুন্দাশিল্লকপা থিংনবা লোনা য়াবা চৎন-কাঙলোন অমা থম্বীয়ু হায়দুনা মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি অমদি ঈহৌ অসিদা মহৈরোয় অমগী পুন্সিসু পীখম্নখ্রে।

মণিপুর পিপল প্রোটেক্সন বিল ষ্টেক হোল্ডর খুদিংমক্কা তান্নদুনা লাক্লিবা নোংজু মীফম অসিদা হাউসতা তঙাইফদনা পাস তৌগদবনি হায়বা ৱাফম মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মৈতৈ-মীতৈশিংবু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১)গী মখাদা সেদ্যুল লিষ্টতা য়াওহন্দুনা মৈতৈ-মীতৈশিংগী শেন্মীৎলোন খুন্দারিবা লম অমদি শক্তম কঞ্জনবা কনষ্টিট্যুসনগী ওইবা সেব গার্দ পীবীয়ু হায়বগী ঈহৌসু লৈরি।

অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পার্লিয়ামেন্টকী লাক্লিবা নোংজু মীফমদা কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ১৯ দা লোক সভাদা পুথোকখ্রবা সিটিজন্সিপ (এম্মেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অমুক হন্না পুথোক্তুনা পাস তৌনবগী অকনবা থবক পায়খৎলক্লি। হায়রিবা বিল অসিনা এক্ট ওন্দুনা চৎনরক্লবদি পাকিস্তান, অফঘানিষ্টান অমদি বাংলাদেশতা লৈরিবা হিন্দু, পার্সি, বুধিষ্ট, জেন, সিখ অমসুং খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা মীওই কয়া ইন্দিয়াদা লাক্তুনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনবা য়াগদৌরি। মসিগী মথক্তা মমাঙদা ইন্দিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকখ্রবা মথক্কী ফুরুপ তরুক্কী মীওইশিংবু ইলিগেল মাইগ্রেন্ট/ রেফ্যুজিশিং ওইনা লোনা য়াবা ইন্দিয়ন সিটিজন ওইহনগদৌরি হায়রি।

ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি খরনা বিল অসি এক্ট ওইনা চৎনহনবগী অপাম্বা অমদি কান্নবা লৈগনি খল্লবসু অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী য়েলহৌমীশিংগী কাংখুল মুৎনবগী মচাক অমনি। হায়রিবা ফীভম অসিদা ইরমদম মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা লৈরিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগীদি মংফম ওইবা য়াই হায়রি।

মশিং য়াম্লবা ৱারোইশিন পুরকপদা মতম চঙগদবা অরুবা ইস্যু অমদি প্রোব্লেম কয়ানা মরোন নাইনা লৈখ্রবা সিটিজন্সিপ (এম্মেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬না এক্ট ওনবা হায়বসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি।

মীশিং য়াম্বা মফমদগী য়ামদবা মফমদা খুল হোংলকপা হায়বসি মহৌশানি। অকনবা লোগী অথিংবা কয়া লৈরবা ফাওবা মাইগ্রেসন হায়বসি থিংবদা অরুবা থবক অমা ওইরিবনি।

সিটিজন্সিপ (এম্মেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ নদি অথিংবা লৈতনা মতিক চাবা চে-চাং য়াওদ্রবসু লাইনিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী মপান লৈবাক অহুমগী মীওই কয়া ইন্দিয়াদা চঙলকপা য়াহনগদৌরি। ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগদৌরি। থৌরাং অসিনা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মশিং য়াম্বা ফুরুপশিংদদি অনৌবা শাফু অমা পীগদৌরি। য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী খুন্নাইলোন, শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন অমদি শোক্লবা শক্তম খরা কুইরক্লগা মাঙখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

বিল অসিনা এক্ট ওন্দ্রিঙৈ হৌজিক্কী ফীভম অসিদা ফাওবা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী য়েলহৌমীগী ফীভমদি য়াম্না শোক্লবনি। মরম অসিনা বিল অসি এক্ট ওল্লবদি মপান লমগী মীওই কয়া অৱাং নোংপোক লমদমদা লাক্তুনা য়েলহৌমীশিংদা অহেনবা পোৎলুম অমা পীবা হায়বসি শোয়দ্রবদি হায়খি।

বাংলাদেশকী অপূনবা পাক চাউবগী শরুক অনীরোম অৱাং নোংপোক্লা চাউরগা মীশিংদনা বাংলাদেশনা অৱাং নোংপোক্কী অপূনবা মীশিংগী শরুক মরিরোম ওইরিবনি। মসিগী মথক্তা বিল অসি এক্ট ওল্লগা বাংলাদেশতগী ইনৌ নৌনা হিন্দু লাইনি চৎপগী খুদোংচাবা লৌরগা চঙলকপা য়াবা মীওইগী মশিংনা ক্রোর অমা মখায়রোমনি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মীশিংদি য়াম্না য়ামদে। য়েলহৌমী ফুরুপ ৪০ রোম্না খুন্দারিবা মণিপুর ষ্টেটকী মীশিং চাউরাক্লা লাখ ৩০ নি। অদুগা বাংলাদেশকী হিন্দু পোপুলেসন্না ক্রোর ১.৭ নি।

বিল অসিনা এক্ট ওল্লবদি অৱাং নোংপোক্কী মীতোপকী পোৎলুমনা হন্থরগা য়েলহৌমী ফুরুপশিং মরুওইনা মীশিং লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইরগা লৈবশিংদি মুৎখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মীরৈবাক অহুমগী মীওই কয়াদা ইন্দিয়ন সিটিজন্সিপ পীনবা হোৎনবা অসিনা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনবু মরিং মরাংহল্লে। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মরক্তা মেঘলয়া অমসুং অরুনাচল প্রদেশনচিংবা গভর্ণমেন্টশিংনদি বিল অসিগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মেঘলয়াগী দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী গভর্ণমেন্টনা কেবিনেট দিসিজন লৌদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈখ্রে। থা অসিগী ৯ দা হেরিকোন্না শীন্দুনা অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা এমটুক, এমজিও অমদি এম এস এস এগা য়াশিন্নবা চুমগনি : অকোম লূপ

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):

এমটুক অমদি এমজিওদা নত্তনা মণিপুর সেক্রেটরিএট সার্ভিসেস এসোসিএসন্না সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌরকপা অসিনা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া অমদি সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমদা নত্তনা ইচম চমজবা মীওই কয়াগী ফংফম থোকপা বিনিফিট কয়া মাঙখিদনবা নাকল অনীমক্লা খন্থবীদুনা অথুবা মতমদা মীয়ামগী য়েংবীদুনা য়ানবা পুরক্কবা হোৎনবীয়ু হায়না অকোম লূপনা ফোঙদোরক্লি।

অকোম লূপকী আই পি আর সেক্রেটরি কে ঐচ দারানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সীলগী এমটুক অমদি এমজিওনা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী রিকমেন্দেসন ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী দিমান্দদা থা ২ হেন্না চঙশিল্লক্তুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট কয়া পেরেলাইজ তৌরবা মতমসিদা মণিপুর সেক্রেটরিএট সার্ভিসেস এসোসিএসন্না সেক্রেটরিএটকী ইমপ্লোয়ীশিংনা পেন দাউন ষ্ট্রাইক তৌশিল্লকপা অসিগী মাঙজবা অমদি লৈঙাক্লা লৌশিনবা ঙমদবা অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা থবক তৌরিবা শিন্মী, লৌমী, নোংমগী চরা তাঞ্জবা ইচিল ইনাও কয়া অমদি অচৌবা বিজিনেস সেক্তর, নন-গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন, সিবিল সোসাইটিশিং অমদি মণিপুর মীয়াম পুম্নমক্লা য়েংদুনা লৈবা চুল্লোই হায়খি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অপূনবা রিগুলর ইমপ্লোয়ী মশিং অসি চাউরাক্লা লাখ ১ রোমনি হায়না থল্লি। কুমজা ২০১১ সেন্সস ফাওবদা অপূনবা মণিপুরগী মীশিং অসি লাখ ২৭.২ ওইরি। অপূনবা মীশিং লাখ ২৭.২ অসিগী মরুওইবা ইনকম ছোর্স অসি গভর্ণমেন্টনা ওইরিবনি। মণিপুরগুম্বা ইকনমিক কন্দিসন ফৎত্রবা অমদা ষ্টেটকী সিবিক প্রোগ্রাম কয়াগী ইমপ্লিমেন্টিং বোদি ওইরিবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংদা নত্তনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরুওইবা ওফিস অমা ওইরিবা সিবিল সেক্রেটরিএট অসিনা সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চখরকপগী মাঙজবা অসি কুপ্পা নৈনবা চুমগনি হায়রি।

গভর্ণমেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৭-১৮ কী দিফিসিট অসি লুপা ক্রোর ৮৫১.৪১ নি হায়না ষ্টেটকী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা থমখিবগা লোয়ননা পেন্দিং প্রোজেক্ট কয়া অসি অথুবদা লোইশিনগনি হায়না এসেমব্লীদা ফোঙদোকখি। ফাইনান্স মিনিষ্টরনা থমখিবা মতুংইন্না চখরিবা প্রোজেক্টশিংগী য়ুটিলিটি সার্টিফিকেটশিং পীবা ঙমদদুনা সেন্টরদগী ফংগদবা গ্রান্ট ইন এইদ কয়া অমা পেন্দিংদা লৈখি হায়না মীয়ামদা খঙহনখি।

মীওই লাখ ২৭.২ গী প্রোগ্রাম অসি পোলিসী প্লান্নিং কয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌবীগদবা সিবিল সেক্রেটরিএট অমদি লাইন দিপার্টমেন্টতা রিগুলর ইমপ্লোয়ী ওইনা পুরিবা ইমপ্লোয়ী লাখ ১ হেনবা অসিনা থবক লেপ্পা মতমদা অতোপ্পা লাখ ২৬ তা করি মাঙজগনি অমদি মণিপুর ষ্টেট ইকনমি অসি করি ফীভমদা লাকপা য়াই হায়বসি খন্থবা চুমগনি। ফাইনান্সিএল ইয়ার অনৌবা হৌখিবগা লোয়ননা নৌনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম অমদি প্রোগ্রাম কয়া ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা পেপর ৱার্ক অমদি ষ্টেটকী ফোর্মেলিটিজ কয়া লোইশিনবা ঙমদনা লৈবা য়ারোই। লোইশিনবা ঙমদবসিনা ষ্টেটকী ফন্দদা শোকপদা নত্তনা শোথরবা লমদম অসিগী মীওই কয়াগী মতম চানা ফংফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, সিবিক এমিনিটিজ অমদি প্রোগ্রাম কয়া ইরৈচাশিংদা য়ৌবা মতমদা থেংথবতা নত্তনা ফংবা ঙমদবসু শোয়দনা য়াওগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মতুংইন্না তরেৎশুবা পে অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবদা অহেনবা শেন্থং লুপা ক্রোর ১৪০০ চহী খুদিংগী মথৌ তাগনি হায়বসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা করম্বা মওংদা লাক্কদবা শেনফমনো অমদি করম্না শেন্থং অসি শাগৎতুনা রিকমেন্দেসন অসি করম্না ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়বা অসি দিমান্দা তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং অমদি মীয়ামগী মফমদা মরিক চুম্না থম্ফম থোকপা ৱারোলনি হায়খি।

অমরোমদা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতিং থোক্লা কুমজা ২০১৯ দগী ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি হায়বা অসি দিমান্দ তৌবীরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনসু খন্থবীবা চুম্মী। মরমদি য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংদা লাউথোকখ্রবসু ইমপ্লিমেন্ট তৌদবসু য়াওরি হায়রি।

তরেৎশুবা পে হায়বসি গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংগী ফংফম থোকপা রাইটনি। অদুবু রাইট অসি ফংনবা হোৎনবদা নাকল অনীমক্লা ইখন খন্থদবা মওংদা দিমান্দ তৌবা অমদি গভর্ণমেন্টনসু কনক্রিদ ওইবা ৱারোলদা নেগোসিএট তৌদবা অসিনা তুংগী মণিপুর খুন্নাইগী ওইবা পোলিসী প্রোগ্রাম কয়া অমদি মাঙজবা শোয়দনা ওইগনি হায়রি।

এমটুক অমদি এমজিওদা নত্তনা মণিপুর সেক্রেটরিএট সার্ভিসেস এসোসিএসন্না সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌরকপা অসিনা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া অমদি সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমদা নত্তনা ইচম চমজবা মীওই কয়াগী ফংফম থোকপা বিনিফিট কয়া মাঙখিদনবা নাকল অনীমক্লা খন্থবীদুনা অথুবা মতমদা মীয়ামগী য়েংবীদুনা য়ানবা পুবীরক্লবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

কোসেমগী কম্পার্টমেন্টেল ইগজামিনেসন ঙন্না পাঙথোক্লবা কে এস এনা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):

কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) গী কম্পার্টমেন্টেল এগজাম অসি ঙন্না পাঙথোকপা য়ানবা অমদি লৈরিবা চয়েৎনবা অসি লোইশিন্নবা লৈঙাক অসিদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না আপিল তৌরক্লি।

কে এস এগী ভাইস প্রসিদেন্ট সুখাম বিদ্যানন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরিগী থৌ পুরিবা মীওই অমবু হৌখিবা জুন ২৫ দা এদ্যুকেসন (এস) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সেক্রেটরি অসি মফম লৌথোক্লুবদগী ওর্দর অসিবু শিংনদুনা মহাক্কী টার্ম লোইগদবা মতম ৱাৎলিঙৈদা মাঙজৌননা খঙহনবা তৌদনা লৌথোকপা মরম চাদে হায়না কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী জর্জনা হৌখিবা মে ২৫ দা থোকখিবা ওর্দর অদু সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরি।

অসিগুম্বা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টুয়েল্বকী কম্পার্টমেন্টেল এগজাম অসিদা চাউনা অকায়বা পীগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা মীয়াম্না পোক্লরি। করিগুম্বা কম্পার্টমেন্টেল এগজাম অসি মতম চানা পাঙথোকহৌদ্রবদি মহৈরোয় কয়াগী মখা তাবা ষ্টদিগী এদমিসন্দা অকায়বা পীবতা নত্তনা মপান্দা চৎকদবা কয়াদসু অৱাবা চৈথেং পীগদৌরিবনি। মরম অদুনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা কে এস এনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা অকায়বা পীদনবগীদমক কম্পার্টমেন্টেল ইগজামিনেসন অসি ঙন্না পাঙথোকপা য়ানবা অমদি লৈরিবা চয়েৎনবা অসি লোইশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মফমদা আপিল তৌরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা পুকচেল শেংনা পোলিটিকেলগী ওইবা খুৎ য়াওদনা অচুম্বা ফীরেপ অমা লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থল্লি অমদি থাজবা অসিগী ৱাংমদা থবক তৌবীদনবা লৈঙাক্কী মফমদসু নীংশিংজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ ঃ ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীদা লৈবা মিলিনিয়ম ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্সকী ওজা অহুমগী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর লৌখৎপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী গেটতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা মে ২৫ দা মহৈশঙ অসিদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা ঙসিদি স্কুল অসিগী একাদেমিক এটমোস্ফিয়ারদা অকায়বা ফংহল্লে। পুলিসনা লৌখৎলিবা এফ আই আর অসি হন্দ্রিবফাওবা ক্লাস বোয়কোট তৌখিগনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়নন্না শীন্দুনা ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা শিংজমৈ চীংঙা কৈথেলদা তরেৎশুবা পে ইমপ্লোয়ীশিংদা পীনবা তকশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট পুখ্রম্বম নিমাইনা লুচিংদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা অদুদা পেন্সনরশিং অমসুং ফেমিলি পেন্সনরশিংগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎপীয়ু। পরমগী ৱাংমদা ষ্টেট ফাইনান্স মিনিষ্টরনা দিমান্দ অসি মরম চাই হায়না থাগৎপীফম থোকই হায়না ফোঙদোরক্লি।

দিটেল রিপোর্ট অমা পুরগা দিল্লিদা লাক্লবা হায়বীরম্মী অদুবু মথৌ তাবা কয়া পীননবা অৱাৎ অপা য়েংশিন্নবা মহাক লাকপনি অমদি মণিপুরনা প্রোব্লেম কয়া শোয়দনা সোল্ভ তৌগনি হায়না ফোঙদোকপীরম্মী। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতসু হায়নবা য়াবা অমদি তক্লদুনা মতেং পীগে হায়না তাকপীরম্ববু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিসু য়ুনিয়ন অসিগী সেনিয়র মেম্বর কোঞ্জেংবম নোংয়াইনা লুচিংদুনা ৱাকৎ মীফম চৎখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফাইনান্স প্রতাপ সুক্লানা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পেগী দিমান্দ পীফম থোকই হায়না ফোঙদোকপীরম্বা অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়রি।

কাদানা য়ু শুংফমশিং থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা লাঙ্গোল লাই মনাই নমদুলোং পার্ট টুদা দ্রাইব চথবদা য়ুডৌ লিটর ১৬০ রোম ফাগৎখিবগা লোয়ননা য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কম্মিটিগী থৌমীশিং অমসুং কাদা লাঙ্গোল লাই মনাই ব্রাঞ্চ অনীনা পুন্না চথখিবা দ্রাইব অদুদা ফাগৎলকখিবা য়ুডৌ অমসুং য়ু শুংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা অমদি থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

মণিপুর লিক্কর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ লমদম অসিদা চৎনদুনা দ্রাই ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোক্লবসু মফম খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফংলি। লিক্কর প্রোহিবিসন এক্টনা কষ্টমরি লোগী ওইনা য়ু শুংবগী অয়াবা পীরবসু করিগুম্বা শুংবা তারবসু এক্সাইজ কম্মিস্নরদগী অয়াবা অমা লৌবা চঙই। অদুবু লাইবক থীবদি মদু পুম্নমক তোকথোক্লগা লাইনিং লাইশোনগী মিংদা কম্মর্সিএল ওইনা ফোংনা য়ু শুংদুনা অমদি য়োন্দুনা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লিবা লোয়ননা খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লহল্লিবা অসিবু লৈঙাক অসিনা য়েংদুনা লৈবা হায়বা অসিমক লাইবক থীবনি হায়রি।

চাকথোং গ্যাসগী মমল হেনগৎপা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহিলা কোংগ্রেসনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস)ঃ চাকথোং গ্যাস য়াওনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল হেনগৎলকপদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবন মমাঙদা মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী কর্ম্মিশিংনা প্রোটেষ্ট অদুগী শরুক অমা ওইনা চাকথোং গ্যাস মমল হেনগৎলকপদগী চাকথোং গ্যাস লৈদুনা শীজিন্নবা ঙমদ্রে, শীংনা চাক থোংনরে হায়বগী মওং-মতৌসু উৎখি। লোয়ননা মহিলা কোংগ্রেসকী কর্ম্মিশিং অদুনা চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎপা য়ানিংদে, পেট্রোলিয়মগী প্রদক্টশিং হেনগৎপা য়ানিংদে হায়বা খোল্লাউশিংসু লাউখি।

প্রোটেষ্ট অদুগা মরী লৈননা মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এল তিলোতামানা হায়খি, সেন্টরদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি সিলিন্দর অমদা লুপা ৪৩০ ওইরমখি। মতম অদুদা হৌজিক হৌজিক বি জে পি লৈঙাক্তা য়াওরিবা সুস্মা স্বরাজ, স্মৃতি ইরানিনচিংবশিংনা চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি তাঙমল্লি, কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লায়রবা মীয়ামগী খন্দবনি হায়না অরানবা মরাল কয়া শীজিল্লকখিবনি। অদুগা সেন্টরদা বি জে পি লৈঙাক হেক লাকখিবদগী চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি অতিয়া পক্লা ৱাংখ্রে। চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি লুপা ৮৩০ রোম ফাওবা য়ৌহল্লে। ফীভম অসিনা ষ্টেট অসিগী লায়রবা মীয়ামদি চাকথোং গ্যাস লৈদুনা চাক-এন্সাং থোংবা ঙম্নদ্রে। চাকথোং গ্যাস খক নত্তনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংহন্দুনা মীয়াম্বু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। থৌওং অসিমক বি জে পি লৈঙাক্লা মীয়ামগী খন্দবনি। চীন্দনা অমা হায়বা, থবক্লা অমা তৌবনি।

মরম অসিনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টকী মমলশিং হন্থহনগদবনি। লায়রবা মীয়ামদা অৱাবা পীরোইদবনি হায়না বি জে পি লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing P.P.O -SM/SF/ 3350 issued by Treasury Office Imphal East, on the way between Kongba to Porompat on 3/06/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Smt. W. Ketuki Devi
Kongba Uchekon Lai Moriba
☎ 9089299802
HL-P/1560/7

MOBILE PHONE LOST

I have lost my Mobile Phone Samsung (J7) White colour containing two SIM Cards (Airtel-8974867500 & Jio-8638810721), on the way from Sagolband to Moirang Leirak on 3-06-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Sapam (O)
Manitombi Devi
Phoijing Awang Leikai
☎ 8638919759
HL-P/1569/7

MARIA MONTESSORI SR. SEC. SCHOOL, KOIRENGEI
(Affiliated to CBSE, New Delhi, Affiliation No. 1230005)
Website - www.mariamanipur.org

06/06/2018

Felicitation
(Class X & XII, 2018 Batch)

CBSE না পাঙথোকখিবা Class X অমসুং XII, 2018 গী পরিক্ষাদা Maria Montessori Sr. Sec. School, Koirengei গী মায় পাকখ্রবা ছাত্রশিংগী মনুংদা স্কুলগী Top Scorers শিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি তাং ৬/৬/২০১৮ দা পাঙথোকখ্রে। Science Stream দা Somnath Khaidem, S/o Khaidem Rajesh Singh & Khaidem (O) Sunita Devi না 96.6% ফংদুনা স্কুল অসিগী খ্বাইদগী ৱাংনা মার্ক ফংবা ছাত্র ওইরে। অদুগা Arts Stream দা Sophia Ningthoujam, D/o Ningthoujam Santosh Singh & N. Sumita Devi না 84.4% ফংদুনা স্কুল অসিগী Arts Stream গী অহানবা Batch সিগী মকোক ওইরে।

Shivadan Ngangom, S/o Potsangbam Krishnapyari Devi & Ngangom Dilip Meitei না Class X Board Exams, 2018 গী স্কুল Topper ওইরে। মহাক্লা 95.4% ফংখি। Somnath Khaidem গী চাওনা মায় পাকপসিদা School গী Board of Trustees কী Chairman, Mr. Ajit Irom না মহাক্কী পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা Laptop অমা খুদোল তমখি। মহাক্লা লোয়ননা Class X অমসুং XII কী অতৈ Top Scorers শিংদসু Citation অমদি লাইরিক অমমম খুদোল তমখি।

School অসিনা মায় পাক্লবা ছাত্রশিংদা তুংগী পুন্সিদা জ্ঞান লৈবা, মশাগী নীংজবা মশক খঙবা অমদি অফবা মীওইবা অমা ওইরক্লবগী আশির্ব্বাদ পীখি। মায়পাকপা ঙমখিদ্রবা ছাত্রশিংদসু অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা অমুক্লা হেন্না হোৎনদুনা মায় পাক্লক্লবগী আশির্ব্বাদ পীরি। স্কুলসিবু নুংশিবীরিবা অমদি থাজবীদুনা ইচাশিংবু স্কুলসিদা শিন্নবীরিবা Parents শিংবুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

HL-P/1571/7
Sd/- **PRINCIPAL**

Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders

DAS
Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal

A Co-Educational Higher Secondary
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM

Admission Open
for Class-XI

Science & Arts

No cut off marks for Admission; all are welcome at First come First chance

Special Facilities for Meritorious Students

Direct Admitted Students (70 % & above)

89.4%
87.6%
80.1%
79.9%
79.8%
79.8%
79 %
78 %
73%
73%
72.8%
72.6%
72.3%
72.3 %
72 %

CBSE Students are also Welcome

Many Attractive Facilities with Smart Class & Advance Lab;
Added advance Medical & Engineering classes

Direct Admission through counselling

COME & SEE THE DIFFERENCE, FEEL THE DIFFERENCE

HL-B/4660/1-13June

OFFICE OF THE
MORAL EDUCATION CENTRE, IROISEMBA
Regd. No. 115 / 1985

Test your knowledge and future



(1st position) HSLCE, 2018
Yaiphabi Mayengbam
I'm indeed grateful to the Moral Education Centre, Iroisemba has laid the foundation for students of the state to stand out in today's competitive world.



(2nd position) HSLCE, 2018
Surjakanta Irengbam
The competition conducted by Moral Education Centre, Iroisemba adds zeal to me in preparing to achieve such a 2nd position in the HSLCE, 2018.



(2nd position) HSLCE, 2018
Patel Lairenjam
Thank you to the Moral Education Centre, Iroisemba for providing me all the opportunities to expose my weak areas. It really helped me a lot for HSLCE.



(3rd position) HSLCE, 2018
B. Balkrishna Sharma
The competition exams organised by the Moral Education Centre inspired to me better than the day before for pointing me in the right direction.



(3rd position) HSLCE, 2018
Angela Athokpam
I would like to thank the Moral Education Centre for the success I got in HSLCE, 2018. Their mock tests were very helpful to me in achieving this position.

in the 27th state level Maths, Science, English, S/Sc. & M.M. Competition for classes III to X conducted by the Moral Education Centre, Iroisemba to be held on : 30th September 2018, 2nd October 2018, 7th October 2018, 14th October 2018 & 21st October 2018

Sd/-
Secretary
Moral Education Centre, Iroisemba

HL-P/1566/7